HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
# হুয়েন লানপাও
The messenger of the masses

মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিল অমসুং ঠিএটর মিরর ইম্ফালনা শিল্লগা পাঙথোরকখিবা ৱান মন্থ ট্রেনিং ওন মোইরাং পর্ব্ব ট্রেদিসন লোইশিনবগী থৌরম

লামায় ৪

পাৎসোই পুলিস অমসুং নারকোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দরকী অপূনবা টিমনা নেসনল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল জিরি লম্বীদা টাটা অমদা পুরকপদগী ফাগৎলবা য়ুঙাং কেস ৬২০

লামায় ১

সনাখুথেক মণিপুর কলচরেল একাদেমিনা শীন্দুনা এম দি য়ু হোলদা পাঙথোকখিবা নুমীৎ নীনিগী ওইবা খুনুং ঈশৈ এন্দ ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরম

লামায় ৩

থৌবালগী ক্ষেত্রি শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা লায়ন্স ক্লব ওফ থৌবাল অমদি লিও ক্লব ওফ থৌবালগী চহীগী ওইবা মীফমগী শক্তম অমা

লামায় ৩

Vol. 43, Issue No.107 | নিংথৌকাবা, ইঙেনগী ১৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, July 15, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## অথ্রাইটিসকী হীদাক লেম্না ফংহনগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ : সী এস আই আর- এন ঈ আই এস টি জোর্হাটনা পুথোকপা অথ্রাইটিসকী হীদাক/ওইন্টমেন্ট লেম্না ফংহনগনি হায়না সী এস আই আর-এন ঈ আই এস টি ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি লম্ফেলপাৎকী সিনিয়র প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. ঐচ বিরকুমারনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## HL Poll

Q: Mashana mashabu thabak pijaribasingda leingakna angamba thakta mateng pangli haina louba yabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: NSCN-IM na cease fire gi ground rules leptana thugairi haina Indian Army na hairiba wafam ashi yaningbra?

Yes 94% No 06%

## Important Phone Nos.

| | |
|---|---|
| RIMS | - 2414478 |
| J.N. Hospital | - 2450385 |
| DG Control | - 2450100 |
| **FIRE SERVICE** | |
| Imphal | - 101 |
| Moirang | - 8415925197 |
| Churachandpur | - 8415925191 |
| Thoubal | - 8415925203 |
| Kakching | - 8415925194 |
| Jiribam | - 8415925193 |
| Mayang Imphal | - 8415925196 |
| Bishnupur | - 8415925190 |
| Moreh | - 8415925198 |
| Kangpokpi | - 8415925195 |
| Ukhrul | - 8415925205 |
| Senapati | - 8415925199 |
| Chandel | - 8415925192 |
| Singhat | - 8415925201 |
| Sugnu | - 8415925202 |
| Yairipok | - 8415925206 |

## Today's Flights Timing (Non Stop only)

| | |
|---|---|
| IMPHAL → | BENGALURU |
| IndiGO | 10:30 |
| IMPHAL → | DELHI |
| IndiGO | 14:30 |
| Air Asia (India) | 14:40 |
| IMPHAL → | GUWAHATI |
| IndiGO | 09:45 |
| Air Asia (India) | 11:30 |
| IndiGO | 12:20 |
| IndiGO | 13:45 |
| Air India | 14:20 |
| IMPHAL → | HYDERABAD |
| IndiGO | 10:00 |
| IMPHAL → | KOLKATA |
| IndiGO | 11:00 |
| IndiGO | 14:35 |
| Air India | 15:10 |
| IndiGO | 15:30 |

## ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৫ °C খ্বাইদগী ঈংবা ২১ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৯.০৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৬

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 77.288286 |
| US Dollar | 68.572921 |
| British Pound | 86.239167 |
| Australian Dollar | 48.141211 |
| Chinese Yuan Renminbi | 9.967007 |
| Japanese Yen | 0.635490 |
| Malaysian Ringgit | 16.670188 |
| Australian Dollar | 48.141211 |
| Singapore Dollar | 50.511730 |
| South Korean Won | 0.058293 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.286112 |
| Thai Baht | 2.216447 |
| Myanmar Kyat | 0.04545 |
| Bangladesh Taka | 0.81137 |

## Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – Rs | 35465.24 |
| Mumbai | – Rs | 35935.83 |
| Delhi | – Rs | 36203.21 |
| Kolkata | – Rs | 36513.37 |

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

## অস! লোইরেহে!

- লৈকাইসিদগী বোম তোয়না থমগনবা স্কুল খূদক্তা হোংদোকপীখ্রো...!




- ইমা-ইবেলশিং, বোম অসে স্কুলনা থম্বা নৎচদে, শকখঙদবশিংনা খূদোল তম্বীরম্বনি!

কুমজা ২০০৪গী জুলাই ১৫দা অফস্পাগী মায়োক্তা ফি থোংদনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা ইমাশিংগী ৱাহং:

# ‘ঐখোয় হৌজিকসু ফি শেৎত্রি হায়না লৌরি, কনানা ফি থোনবা ঙমগদগে’

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): ঙসিদগীনা চহী ১৫গী মমাংদা হৌখিবা কুমজা ২০০৪গী জুলাই ১৫গী অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপদা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোং (ৱেষ্টর্ন গেট)তা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱরস এক্ট, ১৯৫৮গী মায়োক্তা ফি-থোংদবা প্রোটেষ্ট চথখিবদা শরুক য়াখিবা চহী য়াম্লবী নুপী লুচিংবীশিংনা হৌজিক ফাওবদা ব্লেক লো অসি মণিপুরদগী পুম্লৌ লৌথোকত্রিবনা খোঙজং চঙশিনখিবা নুমীৎতুদগী ঙসি ফাওবা ফি শেৎলক্ত্রি হায়না লৌবগা লোয়ননা মখোয়দা ফি থোনবগুম থোক্কদৌরিবা দ্রেকোনিয়ন লো অসি কনানা লৌথোকপা ঙমগদগে হংলক্লি।



নুমীৎসিগী প্রোটেষ্টপু নীংশিং-লদুনা ওবজার্ভেসন কম্মিটি ‘এন্টি রিপ্রেসন দে-২০১৯’না শীন্দুনা হয়েং অয়ুক পুং ১১ তারকপদগী হৌরদুনা পেলেস কম্পাউন্দগী লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরমগী মাঙওইননা প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী লুচিংবী ১২গী মনুংদা অনী লৈখিদ্রবসু হৌজিক লৈহৌরিবা ১০গা পাউচে অসিনা উননবা হোৎনখি।

অদুবু লম লাপ্পা লৈখিবা অমসুং মশা ঙমদবদগী মশীং শুনা উনবা ফংখিদ্রবসু লৈহৌরিবা ইমা ১০গী মনুংদা ৫গা পূন্না লম্ফেলগী ট্রাফিক আইলেন্দ মনাক্তা নৌনা শাগৎলিবা ওল মণিপুর ৱিমেন রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)গী শঙলেনদা উনবা ফংখি।

পাউচে অসিনা উনখিবা ইমাশিং অদু নুপী সমাজগী থোকচোম রমনি লৈমা (৮৯), মপুরোইবা লৈখিদ্রবা টি ঐচ পিশক, হৈরাঙ্গৈইথোং মখা অৱাং মাইবম লৈকাই; হাওবম তোম্বী লৈমা (৫৯), মপুরোইবা লৈখিদ্রবা ঐচ বিকোম পাওনা কৈথেল, ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# উখ্রুলদা চেঙ্গুম চারুবদগী ইমুং অমগী পীক্লিবা অঙাং ২ য়াওনা ৩ শিরে

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা সিহায় খুলেনদা চেঙ্গুম চারুবদগী ইমুং অমগী পীক্লিবা অঙাং অনী য়াওনা মীওই অহুম শিরে। ইমুং অদুম্মক্কী অতোপ্পা মীওই অনীসু হৌজিক-হৌজিক অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরি হায়রি।



থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, চেঙ্গুম চারুবদগী লৈখিদ্রবশিং অদুদি চালক খঙ্গ্রা (২), পুইমি খঙ্গ্রা (৫) অমসুং মখোয়গী মপুবোক জোসেফ খঙ্গ্রা (৭৫) কৌই হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, ইমুং অসিগী মীওইশিংনা হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাংদা চেঙ্গুমগা শাগা পূন্না থোংলগা চারুবনি। এঞ্জাং অদু চারুবদগী ইমুং অদুগী মীওইশিং পূক নাবা অমদি ওবা হৌরকখি। অদুগা জোসেফ খঙ্গ্রানা হৌখিবা জুলাই ৮দা লৈখিদবনি। মসিগী মতুং জুলাই ১০ অমসুং ১১ দা মথংশিংনা পুইমি অমসুং চালকসু লায়কন্নরক্লবা মতুংদা লৈখিদবনি হায়রি।

চেঙ্গুম চারুবদগী হৌজিক-হৌজিক অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরিবা মীওই অনী অদুনা লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অসিগী অপোকপা ভরেসো খঙ্গ্রা অমসুং অঙাং অমগনি। সিহায় খুলেন হায়রিবা খুন অসি উখ্রুল টাউনদগী কিলোমিটর ৪০ রোম চৎলগা লৈবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী ওফিসল ওইবা ষ্টেটমেন্ট অমত্তা থোক্লকপা লৈত্রি। অদুম্মকপু থৌদোক অসিগা মরী লৈনবা পাউদি উখ্রুলদা লৈবা লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা তানরে। পীক্লিবা অঙাং অনী য়াওনা ইমুং অমগী মীওই অহুম লৈখিদবা থৌদোক অসি চপ চানা করিদগী থোকখিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ওফিসল ওইনা কনফর্ম তৌবা লৈত্রি। হয়েং লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনসু থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিনবগী থবক হৌরবা য়াই। মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চাবা থবক পায়খৎপা লৈত্রি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা চেঙ্গুম চারুবদগী মীওই কয়া লায়কন্নবগী থৌদোক মমাঙদসু থোকপা লৈখ্রবনি।

# বি জে পিনা ৱাশকখিবা পুম্নমক ফেল ওইবা ঙাক্তনি : সোটিনকুমার

## ‘ফম মুন্নবগী থবক চথদুনা লৈরবদি সেপ্টেম্বর মতুংদা দিজোল্ব তৌবগী ফীভম লাক্কনি’

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): বি জে পিনা ৱাশকখিবা পুম্নমক ফেল ওইবা ঙাক্তনি। লৈঙাক পায়রিবশিংগী মনুংদা হৌজিক ফম মুন্নবগী থবক চথরিবা অসি অসুম্মক মখা তারবদি সেপ্টেম্বর মতুংদগীদি এসেমব্লী দেদ লোক ওইরক্তুনা মথনতা অদুম্মক দিজোল্ব তৌবগী ফীভম লাক্কনি হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বাকৈথেল ঙানপ্পীথোং কম্যুনিটি হোলদা কৈশামথোং লোকল কাউন্সীল সী পি আইনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা কৈশামথোং লোকল কনফরেন্সতা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়ারদুনা এল সোটিনকুমারনা হায়খি, ষ্টেটসিদা তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়া লৈরি। লম হেঞ্জিল্লগা বোর্দর পিল্লর য়ুংশিল্লকপনচিংবসু লৈরি। পুম্নমক অসি খন্নবগী মহুৎতা লৈঙাক পায়রিবশিংনা ফম মুন্নবগী ফীভমদা অসুম লৈরিবা অসি মখা চথরবদি সেপ্টেম্বর মতুংদদি এসেমব্লি দিজোল্ব তৌবগী ফীভম লাক্কনি। হৌজিক লৈঙাক লৈবগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা। ইলেক্সনগী কোদ ওফ কন্দক্ট লৈরিঙৈদা লুপা ক্রোর ২৭৪ কায়থোক্লগা কদায়দা শীজিন্নখি। ষ্টেটসিগী ওইরক্লিবা ফীভমসিদা ষ্ট্রগল তৌদবা য়ারক্ত্রে। কনফরেন্স অসিদা খন্ননিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়া লৈরি। ঈশিং ফংদবগী অৱাবা, হার তাঙবগী অৱাবা অমসুং চেঙ তাঙবগী অৱাবা কয়া অমা লৈরি। লমদমসিগী অফবা চেঙ কেজিদা লুপা ৫০ পীরকপগী ৱাফম লাক্লি। সী এ বিগী ইস্যু অমদি তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়া লৈরিবা ফীভম অসিদা খন্নবা মথৌ তাই। বি জে পিনা লৈঙাক পায়রবদি সী এ বি পাস তৌগনি হায়খিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

বি জে পিনা প্লান্নিং কম্মিসন মুথৎলগা নিতি অয়োগ পুশিল্লক্লি। মসি অফবা খূদম নত্তে। মপান লমদা থম্বা ব্লেক মনি পুশিল্লক্কনি হায়খ্রবসু পুশিল্লকপগী ৱাফম লৈতে। দিমোনেটাইজেসন তৌদুনা লুপা ক্রোর কয়া মাঙহনখ্রে। বি জে পিনা হায়খিবা ৱা ফেল ওইবা ঙাক্তনি। গ্যাস লেম্না পীগনি হায়খ্রবসু গ্যাসকী মমল য়াম্না ৱাংখ্রে। অচী অনী মখায় লৈঙাক পায়রকপসিগী মনুংদা খুঙ্গং চৎসি প্রোগ্রাম মায় পাক্লিবরা। নুমীৎ ১০০ নি থবক শুবগী খুদোংচাবা পীগদবদু নুমীৎ ১৫ নিদগী হেন্না পীবা ঙমদে হায়নসু মহাক্না ফোঙ-দোকখি। মখা লামায় ৩ কলম ৭

# পাৎসোই পুলিস অমসুং নাবনা য়ুঙাং কেস ৬২০ লোম ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক য়োনবা অমদি পুশিল্লকপদা লৈঙাক্কী অথিংবা লৈনা- লৈনা নেসনেল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল জিরি লম্বীদা য়ুঙাং পুদুনা চংলকপা ত্রক (এন এল ০১ক্যু/৫০২৬) অমা পাৎসোই পুলিস অমদি নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর পুলিস য়াওবা কম্বাইন তিম অমনা থা অসিগী ১২গী নুমিদাং পুং ৯.২০ তাবা মতমদা ফারে হায়রি।

পাৎসোই পুলিসকী ও সি ইন চার্জ ওইরিবা এম পি এস প্রোবি ওক্রম প্রমানন্দিনা পাউমীশিংদা ফোং-দোরকপদা ...মখা লামায় ৩ কলম২

# রেখা মীহাৎ : ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিনা এভিদেন্স সেম্পল পূম্নমক্কী টেষ্ট তৌবা লোইরে, পুলিসতা লৌররো হায়রক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): ঙসিদগীনা নুমীৎ ৪৫ নিগী মমাং মে ২৯ দা মশাগী ময়ূমমক্তঃদা মীহাৎ থিনসু হাৎতোকপীরম্লগা থৌদোক্তুগী লংলা-লংজিল (সর্কমষ্টেন্সেস এভিদেন্স) শিং ফাওবা মাঙহন্নবা (ক্রাইম সিন দিষ্ট্রক্সন) হোৎনরম্বা থোকচোম নিংঙোল নাওরেম ওংবী রেখা (মেমচা), ৬৬ মীহাৎকী মতাংদা পুলিস অমসুং ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি (এফ এস এল), পাঙ্গৈনা কল্লেক্সন তৌখিবা এভিদেন্স সেম্পলশিংগী লেবোরেটরি টেষ্ট তৌবা লোইরদুনা কেস অসিগী মতাংদা থিজিন্নক্লিবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)দা রিজল্ট লৌরনবা ওফিসল ওইনা খঙহল্লক্লে হায়রি।

ষ্টেটসিদা থোকখিবা নুপী হাৎপগী থৌদোকশিংগী মনুংদা থৌদোক অতৈগা মান্নদবা মওংদা ইতোপ তোপ্পা অমা ওইরিবা থৌদোকসিগী মতাংদা কেস রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেসন চথরক্লিবা পুলিসকী মায়কৈদগী চার্জশীট থাগৎলক্তুনা কোর্টনা কোগনাইজেন্স লৌদুনা ৱায়েল (ত্রাইয়েল) চথবা হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা থৌদোকসিগী মরী-লৈনবা রিপোর্ট শিং মীয়ামদা লেপ্তুনা ফোঙলক্লিবা পাউচে অসিনা ঙসিসু পুলিস দিপার্টমেন্টকী হায় রেঙ্কিং ওফিসর অমগা উনদুনা ৱারী শানখি।

ওফিসর অদুনা হায়, হৌজিত্তিঃ কেস অসিগী মতাংদা পাঙ্গৈদা লৈবা দিপার্টমেন্ট অসিগী ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি (এফ এস এল)দা এক্সপর্টশিংনা চথরকখিবা লেবোরেটরি টেষ্ট পূম্নমক্কী থবকশিং মপূং ফানা লোইশিনখ্রে। থৌদোত্তুগী সর্কমষ্টেন্সেস এভিদেন্সশিংগী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌবগী থবক্তু হৌখিবা ইরাই নুমীৎ (জুলাই ১২)দা লোইশিনখিবনি। এফ এস এল, পাঙ্গৈনা চথরকখিবা লেবোরেটরি টেষ্টশিং অদুগী রিজল্ট লৌররো হায়দুনা ওফিসল ওইনা দব্লিয়ু/টি (ৱায়রলেস ট্রান্সমিসন) মেসেজ থারক্তুনা খঙহল্লক্লে। সেম্পলশিং অদুগী রিজল্ট হয়েং নিংথৌকাবা নুমীৎতা শোয়দনা কল্লেক্সন তৌরুরগনি। টেষ্টকী রিজল্টশিং অদু কেস অসিগী চার্জশীটকী মরুওইবা শরুক অমা ওইবনা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিমগী মায়কৈদগীসু অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# বন্দনা মোরে টাউন খুন্তাক লানশিখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু কে এল এফ)কী মোরে টাউন কম্মান্দর লালথোং জোন গাংতে হাৎলম্বা থৌদোক্তা মরী লৈননা কৌখিবা বন্দনা মোরে টাউন খুন্তাক লানশিখ্রে।

জোন গাংতে হাৎলমখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং ফাগৎনবা মণিপুর পুলিসকী অহেনবা টিম মোরেদা চঙশিনখ্রে। পুলিস, দি সী ও অমদি ৪৩-এ আরনচিংবনা থিবা-হুম্বগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ADMISSION OPEN 2019- 20
in Top Ranking Universities & Institutions in INDIA/ABROAD

| COURSES | FEES |
|---|---|
| B.Tech (Fire & Safety) | 30,000/Sem |
| B.Tech (Food Tech.) | 30,000/Sem |
| B.Sc. (Agriculture) | 25,000/Sem |
| B.Sc. (Forestry) | 22,500/Sem |
| B.Sc. (Horticulture) | 22,500/Sem |
| **COURSES** | **FEES** |
| B.Tech (All other Streams) | 32,500/Sem |
| BAMS (Ayurvedic) | 2.8 Lakh/ Yr. |
| BHMS (Homeopathic) | 1.6 Lakh/ Yr. |
| Nursing (incl. Hostel Fees) | 60,000/Sem |

COURSES
MBBS (INDIA & ABROAD)
Clinical Psychology
BPT(Physiotherapy)
D. Pharm
B. Pharm
M. Pharm
BBA
BBALLB
Hospitality
MBA

SPECIAL SCHOLARSHIP SCHEME
1. 75% & Above in 10+2
2. SC/ST (For All Courses)
NO TUITION FEE

BOOK YOUR SEAT FOR BAMS / BNYS / BHMS (NEET IS NOT REQUIRED)

RIGHT PEOPLE TO THE RIGHT PLACE
The R-Square Career Consulting
Sagolband Moirang Leirak Machin, Imphal West
Phone : 7005202874, 8837310493
e-mail : thersquarecareer@gmail.com

HL-P/3306/3-17/07

# হৌজিক্কী মতমদা হূই লোইবসি মমাঙঙৈগী মতৌগুম পংলোইদা লোইবা য়াদ্রে : ডা. প্রিয়োকুমার

অসেম বেবিচা

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): হৌজিক্কী মতমদা হূই লোইবসি মমাঙঙৈগী মতৌগুম পংলোইদা লোইবা য়াদ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট ভেটরিনরি হোস্পিটালগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. থৌনাওজম প্রিয়োকুমারনা ফোঙদোরক্লি।



পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা ডা. প্রিয়োকুমারনা হায়খি, য়ুমদা লোইনরিবা থৱায় পানবশিংগী মনুংদা মপু খ্বাইদগী নীংবসি হূইনি হায়নৈ। ভেটরিনরি হোস্পিটাল অসিদা নোংমদা লায়েংবা লাক্লিবা হূইশিংগী মনুংদা চাদা ৭০ দি লোকলগীনি। লেমহৌরিবশিংনা মপানগী হূই ওই। নবেম্বরদগী এপ্রিল ফাওবদি নোংমদা হূই ১০০ গী মথক্তা লায়েংবা লাকই। জুলাই থাদদি চাংচৎতা ৫০/৬০ রোম লায়েংবা লাকই। হোস্পিটালসিদা লায়েংবা লাক্লিবশিং অসিগী মনুংদা খোঙ হাম্বা, উনসাগী অনাবনচিংবা কয়াসু য়াওই। মীনা থাঙনা য়াল্লকপা, লোঙনা থিল্লকপগী কেসসু য়াওরকই। লোকল হূই লোইবা মতমদা দি ৱার্মিং টেব্লেট অসি হূই মচা পোকপা মতুং নুমীৎ ২০ নি শুরবদি পীজবা য়ারে। থা ১ ফারগা পীজবসু য়াই। থা ১৫ খুদিংগী তিল হিদাক থাগদবনি। থা ৬ হেনখ্রবদি থা ৩ খুদিংগী তিল হিদাক থাগদবনি। হূই মশা-মউ ফনা থম্নবা হিদাক কাপথোক্কদবনি। দি ঐচ পি পি আই প্লস এল ভেক্সিন কাপত্রিঙৈদা দি ৱার্মিং টেব্লেট পীজ গদবনি। তিল লৈরবদি ভেক্সিন কাপ্পবসু ইফেক্তিব ওইদে।

থা ৩ দা এন্টি রেবিসসু কাপকদবনি। মতুংদা থা অমমম্ লৈরগা অমুক কাপকদবনি। এন্টি রেবিসকী হীদাক লেম্না পীরি। অতৈ মখলশিংদি লৈগদবনি। ষণ, য়েন, হামেং, ওক্কীদি ফ্রী ভেক্সিনেসনগী খূদোংচাবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২



HL-B/5534/7/7-5/8